## রেপ তৌরবা মতুং লৌবুক্তা লঙথোক্লম্লে

খান্দৱা, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
মধ্য প্রদেশকী খান্দৱা দিষ্ট্রিক্তা মশাগী চহী ৪ খক্তা ঙাইরিবী অঙাং নুপীমচা অমবু নুপা অমনা রেপ তৌরবা মতুং চু পাম্বী থাবা লৌবুক অমদা লঙথোক্তুনা থনম্লে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা চু থাবা লৌবুক অদুদা অঙাং অসি ৱাখল মাঙদুনা তারম্বা মীয়াম্না থেংনরকপদগী পুলিসতা পাউ পীরকখিবনি। খুদক্তা পুলিসকী টিম অমনা অঙাং অদুবু লৌখৎলবা মতুং ইন্দোরদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌদুনা ট্রিটমেন্ট চথবা হৌখ্রে। ঙরাং অয়ুক অঙাং অসি মাঙখ্রে হায়না মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা পুলিসতা রিপোর্ট তৌরখিবনি। মিশিং রিপোর্ট লাক্লবা মতুং অঙাং অসি থিবগী থবক চথদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, থৌদোক অসিদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মশাগী চহী ২৫ রোম শুরবা নুপা অমা পুলিসনা ফারে। মহাক ভিক্টিম অসিগী লোকেলিটিনি। পুলিসনা চথখিবা ৱাহং পাউহংদা মহাক মশানা অঙাং অদুবু তুমিন্না ময়ুমদগী পুথোক্লবা মতুং রেপ তৌখিবনি হায়বা য়াজখিবগা লোয়নননা মহাক্কী মথক্তা আই পি সী সেক্সন ৩৬৩ (কিদনেপ্পিং) অমসুং ৩৭৬ (রেপ) চার্জ তৌখ্রে হায়রি।

## 'গান্ধীগী লৈবাক লুচিংদুনা চৎপা ফংজবদগী পি এম মোদিনা মালেমগী ফম্বাক্তা ইকায় খুম্নবা ফংলিবনি'

জয়পুর, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মালেমগী ফম্বাক্তা মফম কনবা ঙম্বগা লোয়নননা ইকায় খুম্নবা ফংলিবা অসি মহাত্মা গান্ধীগী লৈবাক ইন্দিয়াগী লুচিংবা ওইনা লৈরুবদগীনি হায়না রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অসোক গেলোটনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।



হীরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর অসোক গেলোটনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ানা মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইরকখিবা চহী ৭০ হেল্লবা ফাওবদা দেমোক্রেসিগী মশক কায়হন্দনা থম্বা ঙল্লিবা অসি মহাত্মা গান্ধীনা কখোকপগা লোয়নননা হোৎনরম্বা কয়া অদুননি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অতোপ্পা লৈবাক্তা চৎলুবা মতমদা মহাকপু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুম্নবা উৎলি। মসিগী মরমদি মহাত্মা গান্ধীনা হোৎনদুনা মনিং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইহল্লম্লবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরুবননি। মহাত্মা গান্ধীনা মঙজরম্বা অমত্তা ওইবা ইন্দিয়া অমদি দেমোক্রেসিবু অৱাংবা থাক্তা থমদুনা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং থাদোকপা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা খুদিংমক্কা হোৎনমিন্নবা মথৌ তায় হায়রি।

রাজস্থানগী বন্সৱারাদা পাঙথোকপা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওবা পব্লিক রেল্লি অমদা চীফ মিনিষ্টর গেলোটনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ট্রাইবেলশিংগী পায়খৎলম্লিবা থবক থৌরমশিং, হেল্থ কেয়র সেক্টর অমসুং এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসনশিংদা অহোংবা কয়া পুরক্লিবা অসি থাগৎনিংঙাইহনি। চিরানজিবি হেল্থ স্কিমগী মতাংদসু প্রাইম মিনিষ্টরনা অহেনবা মিৎয়েং চঙবগা লোয়নননা লৈবাক পুম্বদা ইমপ্লিমেন্ট তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা রাজস্থানগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা পায়খৎলিবা রেলৱে প্রোজেক্টশিং অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মিৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈরি। প্রোজেক্টশিং অসি মমাঙ মতমদা লৈরম্বা কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টকী মতমদা হৌদোক্লম্বনি। ঙসি থৌরম পাঙথোক্লিবা বন্সৱারাদা রেল রুট অমত্তা লৈত্রি। অথুবা মতমদা অতোপ্পা মফমশিংগা বন্সৱারাগা ট্রেনগী খুৎথাংদা ফাওনহনবা ঙম্লবদি লাইবক ফবা ওইগনি হায়রি। অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা রাজস্থান, গুজরাট, মধ্য প্রদেশ অমসুং মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টনা পুন্না খন্নদুনা মানগর ধামগী রোদ মেপ শেম শানবা খঙহল্লমখি হায়রি।

## ঙমখৈগী শরুকশিংদা চথরিবা শেম শাবগী থবকশিং খুমাং য়াঙনা চঙশিল্লক্লি

কোলকটা, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুকশিংদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং মায় পাক্লা পায়খৎপা ঙম্বগা লোয়নননা হৌজিক চথরিবা শেমজিন শাজিনবগী থবক অয়াম্বা খুমাং য়াঙশিনবা ঙম্বগা লোয়নননা অয়াম্বা শরুক লোয়শিল্লক্লে হায়না জেনরেল ওফিসর কম্মান্দিং-ইন-চীফ ইষ্টর্ন কম্মান্দ লেপ্টনেন্ট জেনরেল রানা প্রটাপ কলিতানা ঙসি ফোঙদোরক্লি।



হীরম অসিগা মরী লৈননা লেপ্টনেন্ট জেনরেল প্রটাপ কলিতানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম অয়াম্বা লোয়শিল্লক্লে। ঐখোয়না শেমগৎ শাগৎপগী থবক হায়বা মতমদা মীয়াম্না লম্বী থোং খক্তমক উরি। লম্বী থোংশিং অসিসু শেমগৎ শাগৎলিবা অসিগী শরুক অমনি। মসিগী মথক্তা এয়রপোর্টশিং, হেলিপেদশিং অমদি তোঙান তোঙানবা মথৌ তাবা বিল্ডিং কয়াসু শেম শাবগী থবক য়াওরি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী গাতি শক্তি স্কিমগী মখাদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়াসু পায়খৎনবগীদমক শেম শাবা লোয়রে।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী ঙমখৈ শরুকশিংদসু তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলি। নুমিৎ নিনিগী মমাঙদসু লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথনা ইষ্টর্ন লদাখ অমসুং অরুনাচল প্রদেশ ঙমখৈগী শরুকশিংদা শাবা থোং অমসুং লম্বীশিং শঙ্গারমখ্রে। ইন্দিয়ন আর্মিগী ইষ্টর্ন কম্মান্দনা কোল্লিবা ৱেষ্ট বেঙ্গল, জরখন্দ অমসুং লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিং চাওখৎহন্নবগীদমক কন্না হোৎনরি। অদুম ওইনমক অরুনাচল প্রদেশ অমসুং সিকিমগী ঙমখৈগী শরুক খরদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথবদা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্নরি। মসিসু অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা আর্মিগী মায়কৈদগী হোৎনরি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা আর্মিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুংচন্না চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা অরুনাচল প্রদেশকী লাইন ওফ একচুএল কন্ট্রোল পরিংদা মাঙখিবা নহা অমা চাইনিজ পি এল এগা ৱারী শান্নরবা মতুং অমুক হন্না পুরকপা ঙমখি হায়রি।

## রেলৱে ট্রেক্তা অঙাং ২ গী অশিবা হকচাং থেংনরে

বারাবনকি, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
উট্টর প্রদেশকী বারাবনকি দিষ্ট্রিক্তা লৈবা রেলৱে ট্রেক্ট অমদা অশিবা অঙাং অনীগী হকচাং থেংনখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা হায়রি।

পুলিসকী পাউ অসিগী মতুংইন্না হেক উবদা অঙাং অনী অদু শান্নরিঙৈদা ট্রেননা থোম্বদগী শিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি। থৌদোক অসি সাত্রিক এরিয়াগী সনথাওলি ভিলেজদা থোকখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা অঙাংশিং অসিগী অশিবা হকচাং মীয়াম্না থেংনরকখিবনি। লৈখিদ্রবা অঙাং অনী অদুদি হরিকেস (১০) অমসুং অয়ুস (৯) নি। মখোয় অনীগী অশিবা হকচাং পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক মরী লৈনবা হোস্পিটালদা থাখ্রে। ট্রেননা থোম্বদগী শিরম্বা য়াই হায়না থাজনরবসু চপ চাবা মরম হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙদ্রি। পুলিসনা মীশি অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়নননা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

## এন্টি টেরর ওপরেসনদা লালহৌবা ৪ হাৎখ্রে

কাস্মির, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
সাউথ কাস্মিরদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা চথখিবা এন্টি টেরোরিষ্ট ওপরেসনশিংদা লালহৌবা ওইরম্বা য়াই চিংনবা মীওই মরি হাৎখ্রে হায়না জে এন্দ কে পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না অৱনতিপোরা এরিয়াদা চথখিবা এনকাউন্টর অমদা লালহৌবা অহুম হাৎখি। অদুগা অতোপ্পা অমনা বিজবেহরা এরিয়াদা চথখিবা এনকাউন্টরতা হাৎখিবনি। অৱনতিপোরাদা হাৎখ্রবা লালহৌবা অহুম অসি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক চথবদা চেন্নবগা লোয়নননা মমাঙ থাদা অৱনতিপোরাদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা চেন্নবশিংনি হায়রি।

কাস্মিরগী এদিসনল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস ভিজয় কুমারনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না অৱনতিপোরাদা হাৎখ্রবা লালহৌবা অহুম অদুগী মনুংদা এল ঈ টিগী কম্মান্দর মুক্তার ভট য়াওরি। ঙসি হাৎখ্রবা লালহৌবা অহুম অদুদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এ কে-৭৪ রাইফল অমা, এ কে-৫৬ রাইফল অমা অমসুং পিষ্টোল অমা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। অৱনতিপোরাদা পুলিস অমসুং আর্মিগী অপুনবা টিম অমনা চথখিবা ওপরেসনদা টেরোরিজমগী ওইবা থৌদোক কয়াদা চেন্নবা লালহৌবা অহুম হাৎপা ঙমখিবা অসি চাওনা মায় পাকপনি। মখা তানা লালহৌবশিংগী মায়োক্তা মখল মখা কয়াগী কাউন্টর ওপরেসনশিং চথখিগনি হায়না জম্মু অমসুং কাস্মিরগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস দিলভাগ সিংহনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা ঙমখৈগী শরুক্তা অহেনবা মিৎয়েং চঙদুন থবক তৌরি হায়রি।

## প্রাইম মিনিষ্টরনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে



মোরবি, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা গুজরাটকী মোরবিদা থোকখিবা সস্পেন্সন ব্রিজ তৎপগী থৌদোক্তা মীওই ১০০ হেন্না শিহনখ্রবা মতুং ঙসি লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক থোকফমদা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়নননা লায়বক থিবা থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমদি হোস্পিটালদা শোকপদগী ট্রিটমেন্ট চথদুনা লৈরিবা মীওইশিংগসু উন্নখ্রে হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা থোং তৎপগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা গুজরাট গভর্ণমেন্টতা খঙহনখ্রে। থোং তৎপগী থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা থোকখিবা থৌদোক অসি গুজরাটকী অমদি লৈবাক অসিগী ওইনা লাইবক থিবা থৌদোক অমনি হায়রি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা থৌদোক থোকফমদা লাক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা থোং অদুবু শেমজিন শাজিনবগী থবক চথখিবা ওরেভা গ্রুপকী মমিং থাবা সাইনবোর্দ অমা থোংগী মথক থংবা শরুক্তা থেৎতুনা লৈরিবা অদু ফিনা কুপশিন্দুনা থনমখি হায়রি। থোং তৎপগী থৌদোক্কা লোয়নননা পুলিসনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই ৯ ফাগৎখ্রে। ওপোজিসনগী মায়কৈদগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্লবসু তকশিল্লক্লি।

## নবেম্বর ১৫ ফাওবদা পোটহোল ফ্রি রোদ ওইহন্নবা পান্দম থল্লি

লক্ষনৌ, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
উট্টর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা লম্বীশিংদা পোটহোল অমত্তা লৈহন্দনবা পান্দম থম্বগা লোয়নননা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা পোটহোল ফ্রি ষ্টেট ওইহন্নবা অল্টিমেটম অমা থমখ্রবা মতুং পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্টনা থা অসিগী ১৫ ফাওবদা দিপার্টমেন্ট অসিগী ষ্টাফশিংদা পীরম্বা ছুতিশিং কেন্সেল তৌখিবগা লোয়নননা শেম শাবগী থবক অকনবা মওংদা চথবা হৌখ্রে হায়রি।



মমাঙ থাগী ৬ তা চীফ মিনিষ্টর য়োগিনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা ষ্টেট অসিগী মনুংচন্না লৈরিবা মরুওইবা লম্বী খুদিংমক্কী ফীভম ফগৎহন্নবা ফীরেপ লৌখিবগা লোয়নননা পোটহোলশিং লৈহন্দনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখিবনি। মদুগী মতুং লম্বী শেমজিনবগী থবক্তা খোঙজেন য়াংশিন্নবগীদমক পি দব্লিয়ু দি মিনিষ্টর জিতিন প্রসাদানা ষ্টাফশিংগী ছুতি কেন্সেল তৌনবা ওর্দর থোকখিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্টর জিতিন প্রসাদানা ফোঙদোকখিবদা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিগী মরুওইবা লম্বীশিং শেমজিনবগী থবক য়াম্না কন্না চথরি। চীফ মিনিষ্টরগী অপাম্বা মতুংইন্না থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা পোটহোল ফ্রি ষ্টেট ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। হৌজিক শুরিবা থবক খুৎশু অসিদা মখা তানা শুরবদি শোয়দনমক্কী মায় পাকপা ঙমগনি। ষ্টেট অমা চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা লম্বী থোং হান্না ফহনবা মথৌ তায়। মরম অদুনা উট্টর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী লম্বী থোংশিংদা অহেনবা মিৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপা হৌরকখিবনি। মরী লৈনবা ইঞ্জিনিয়রশিংনসু হীরম অসিদা অহেনবা মিৎয়েং চঙদুনা থবক তৌরবদি তুং কোয়না লম্বীগী ফীভম ফনা লৈহনবদা মতেং ওইগনি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্নসু লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিদা অহেনবা মতেং পাঙশিন্দুনা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা পোটহোল ফ্রি ষ্টেট ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা আপিল তৌরক্লি।

## করপসননা মরম ওইরগা গুজরাট থোং তৎখিবনি ঃ কেজ্রিৱাল

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা গুজরাটকী মোরবি সস্পেন্সন ব্রিজ তৎপদগী মীওই ১০০ হেন্না শিহনখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোং অদুবু শেমজিন শাজিনবগী থবক চথবদা করপসননা মাঙ থাদুনা চৎখিবদগীনি হায়না দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাললনা মরাল শীরকখিবগা লোয়নননা গুজরাট গভর্ণমেন্টনা থৌদোক অসিগী মতাংদা নাথৈদুনা চেন্নবা হোৎনরিবা অসি লাইবক থিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা গুজরাটতা লৈঙাক পায়রিবা মখৈ অসিগুম্বা লাইবক থিবা থৌদোকশিং অসি য়াম্না তোয়না থোক্লকখিগনি। মমাঙদসু থোক্তুনা লাক্লি। মীয়ামগী খন্দবা গভর্ণমেন্ট অসি লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা রিজাইন তৌফম থোকই হায়খিবগা লোয়নননা গুজরাটতা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা এ এ পিনা চাওনা মায় পাক্তুনা ষ্টেট অসিদগী করপসন মপুং ফানা মুথৎকনি হায়রি।

## পুং ২৪ দা কোভিদকী অনৌবা কেস ১,০৪৬ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১,০৪৬ থেংনখিবগা লোয়নননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৫৩ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১,০৪৬ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৫৪,৬৩৮ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১৭,৬১৮ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৫৩ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৯,০৭৭ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৭৮ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০৪ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়নননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা পুন্না ভেক্সিন দোজ ২১৯.৬৫ ক্রোর কাপখ্রে হায়রি।

## দেল্লিদা ফেক্টরি মৈ চাকপদগী মীওই ২ শিরে, ২ কনবা ঙমখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
দেল্লিগী নরেলা ইন্দষ্ট্রিএল এরিয়াদা লৈবা খোঙুপ শাফম অমা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপগী থৌদোক্তা মীওই অনী শিখিবগা লোয়নননা অতোপ্পা অনী কনবা ঙমখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা মীওই অনী কনবা ঙমখ্রবসু মীওই কয়া থোক্লকপা ঙমদনা বিল্ডিং অদুদা লৈরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। মৈ চাকপগী থৌদোক্তা শোক্লবা মীওইশিং খুদক্কী ওইনা ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুং খরা হেন্না শোকপশিং মনাক নক্না লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চথখ্রে। শোক্লবা মীওইশিং অদুগী হকচাংগী ফীভম খুদোং থিনিংঙাই ওইদ্রে।

অমরোমদা, ফায়র ইঞ্জিন ১০ না থৌদোক থোকফমদা চঙশিল্লক্তুনা মৈ কনবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি। মৈ অসি মতৌ করম্না চাক্লকখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মৈ চাকপগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুগী মশক খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

## নোংনা মরম ওইরগা ছুতি লাউথোকখ্রে



চেন্নাই, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
ঙরাং নুমিদাংদগী হৌরগা টামিল নাদুগী তেঙান তোঙানবা শরুকশিংদা অকনবা নোং লেপ্তুনা চুবদগী ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৮ দা লৈরিবা স্কুলশিং টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা নোংগী ফীভম ফৎত্রিবা ফাওবা ছুতি লাউথোকখ্রে।

ছুতি লাউথোকখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট ৮ অদুগী মনুংদা চেন্নাই, কাঞ্চিপুরম, চেঙলপত্তু, তিরুবালুর, থাঞ্জাবুর, তিরুভারুর অমসুং নাগাপতিনম য়াওরি। ষ্টেট মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ তা লাক্লিবা নুমিৎ ৪ অসিদা অকনবা নোং মখা তানা চুরবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। চেন্নাইগী নুঙমবাকমদা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা ৮০.৪ এম এমগী চাংদা অকনবা নোং চুখি। ষ্টেট অসিদা ৮০.৪ এম এম য়ৌনা নোং চুখিবা অসি চহী ৭২ গী মতুংদা ঙসিগী অসিনা অহানবনি হায়না চেন্নাইদা লৈবা মেট সেন্তরগী দিপ্যুটি দিরেক্টর বালাচন্দ্রননা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নগাপতিনম দিষ্ট্রিক্তা ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ ফাওবা ৪.৫ সী এমগী চাদানা নোং চুখি। মখা তানা ষ্টেট অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা লৈঙাক্না পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক ওইনা দিষ্ট্রিক্ট ৮ দা লৈবা স্কুলশিং ছুতি থাদোকখিবনি। স্কুলশিং ছুতি থাদোকখিবগী মরুওইবা মরমদি নোংলৈ নুংশিৎ য়াওবা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা য়ুমশিং অমাঙ অতা থোকহল্লক্লবদি খুদক্কী ওইনা ছুতি থাদোকখ্রবা স্কুলশিং অসিদা রিলিফ কেম্প ওইনবগীদমকনি। মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদসু চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা অমদি হোস্পিটাল অমসুং মোবাইল ফোন সর্ভিসশিং মপুং ফানা মথৌ তৌহন্নবা খঙহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, তামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিননা লাক্লিবা নুমিৎ ৪ নি অসিদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না য়ারিবমখৈ য়ুমদগী মপান থোক্তনবা অমদি মরম লৈতনা লম্বীদা চৎথোক চৎশিন তৌদনবা আপিল তৌরক্লি।

## ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সী এ এ ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি ঃ সুভেন্দু

কোলকটা, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লি ওপোজিসনগী লুচিংবা বি জে পি এম এল এ সুভেন্দু অধিকারিনা ঙসি ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ওইনসু সী এ এ ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনগনি হায়রি।



সেন্টরনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা লৈরিবা মাইনোরিটি ইন্দিয়নশিং মরুওইনা পাকিস্থানদা লৈরিবা ইন্দিয়ন সিটিজেনশিংবু লৈবাক অসিদা অমুক হল্লকপদা অয়াবা পীখ্রবা মতুং সুভেন্দু অধিকারিনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা গুজরাটকী দিষ্ট্রিক্ট অনীদা সী এ এ ইমপ্লিমেন্ট তৌবা হৌখ্রে। মরম অদুনা বেঙ্গলগী ওইনসু অথুবা মতমদা এক্ট অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনগদবনি। এক্ট অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌরবদি অতোপ্পা লৈবাকশিংদা মাইনোরিটি ওইনা য়াম্না ৱানা লৈরিবা মতুৱা কম্যুনিটিগী মেম্বরশিং অমদি থাক হন্থনা লৈরিবা নমসুদ্রশিংসু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ফংলিবা খুদোংচাবশিং অদুগা চপ মান্ননা ফংবা ঙমগনি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা সী এ এগী থবক পায়খৎপা হৌগদবনি হায়রি।

সী এ এগী মতুংইন্না অফঘানিষ্টান, বাঙ্গলাদেস অমসুং পাকিষ্টানদা লৈরিবা হিন্দু, সিখ, বুদিশ, জেইন, পর্সি অমসুং খৃষ্টেনশিংবু ইন্দিয়াদা লাকপা মতমদা ইন্দিয়াগী সিটিজেন্সিপ ফংহনবদা অয়াবা পীরি। অদুবু করিগুম্বা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা অয়াবা পীদ্রবদি মখোয় অদু ইন্দিয়ন সিটিজেন ওইবা য়ারোই। মরম অদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সী এ এ ইমপ্লিমেন্ট তৌনবসু মহাক্না মখা তানা তকশিনখি।

অমরোমদা, রুলিং পার্টি ওইরিবা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোয় কুনাল গোসনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিদা সী এ এ কৈদৌনুংদা ইমপ্লিমেন্ট তৌরোই অমদি বি জে পিগী অকনবা প্রেসর লাক্লবসু লৈবাক পুম্বদা সী এ এ চৎনহনবা ঙম্লোই। মরমদি এক্ট অসি অপিকপা ফুরুপশিংগী ওইনদি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়রি।

## থোং শেমজিনবদা থৌদাং লৌখিবা কম্পনিগী মীহুৎশিং লোৎখ্রে

মোরবি, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা গুজরাটকী মচ্চু তুরেলগী মথক্তা শাবা মোরবি থোং তৎপদগী অঙাং ৪৭ য়াওনা মীওই ১০০ হেন্না শিহনবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং থোং অদুবু শেমজিন শাজিনবদা থৌদাং লৌখিবা প্রাইভেট কম্পনি ওরেভাগী মপু অমসুং মরুওইবা মীহুৎশিং লোৎখিবদগী বি জে পিনা লুচিংবা গুজরাট গভর্ণমেন্ট মৈথক্তা ফমদুনা অৱাবা খাংলি হায়না ওপোজিসন পার্টিশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা গভর্ণমেন্ট অমদি ওরেভা কম্পনিগা লৈনরিবা মরী মীয়ামদা ময়েক শেঙনা খঙহনগদবনি হায়রি। পনবা য়াবদি ওরেভা কম্পনিগী মেনেজিং দিরেক্টর জেসুখবাই পটেলনা থোং অসি চহী ৮ দগী ১০ ফাওবা শীজিন্নবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং নুমিৎ ৪ নি লৈরগা খঙহৌদনা তৎখিবনি হায়রি।

## চিরাগ পাসৱাননা চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমার হুন্দুনা ঙাংখ্রে

পাটনা, নবেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা এল জে পিগী লৈখিদ্রবা লুচিংবা রাম ভিলাস পাসৱাননা অনীশুবা নুপী থিখিবা অদুগা মরী লৈননা ৱাফম খরা ফোঙদোকখ্রবা মতুং লৈখিদ্রবা এল জে পিগী লুচিংবা অসিগী মচানুপা চিরাগ পাসৱাননা নিটিস কুমার মীওইবগী ৱাখল্লোন চেন্দবা অমদি ইকায় খঙদবা মীওইনি হায়না হুন্দুনা ঙাংখ্রে।

চহী নৌরিবা এম পি অসিনা চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারবু হুল্লদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী অপোকপা লৈরিঙৈ মতমদা নিটিস কুমারনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা ঙমখিদে। অদুবু লৈখিদ্রবা মতুংদা ৱা ঙাংলক্লিবা অসিনা তাকপদি নিটিস কুমার মরুপ মানবা অদুবু মতুংদা থাঙ পায়দুনা মরুপ হাৎনবা হোৎনবা মীওই অমনি। মহাক পাংদবা লুচিংবা অমনি হায়রি।